এস টি দিমান্দগী...

লামায় ১গী মখা... খোঙজংশিং চঙশিনবা, লমদম অসিদা আই এল পি চৎনরবসু হৌজিক য়েলহৌমী মৈতৈ/মীতৈদা এস টি পীবা হায়বসি নৎত্রবদি ঙাক্লৌ অমত্তা লৈরোই। পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা রেক্কমেণ্ডেসন থাদুনা হোৎনদ্রবদি এস টি দি সী এমনা হান্নদগী লেপ্তুনা লৈরুরবা খোঙজংশিং মখা তানা চঙশিনবা অমদি মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা পূন্বা লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়নসু লেপ্পখি। লোয়ননা লৈঙাক অসিদা থল্লম্বা থাজবা পূন্বা থবক ওইনা ওন্থোরক্তবগীদমক্তসু মীফম অদুনা কন্দম তৌখি হায়না এস টি দি সী এমগী সেক্রেটরি পল্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100

FIRE SERVICE

Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL →	**DELHI**
Air Asia (India)	13:45
IndiGO	14:30
IMPHAL →	**GUWAHATI**
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:15
IndiGO	14:15
Air India	14:20
IMPHAL →	**KOLKATA**
IndiGO	10:50
IndiGO	14:25
IndiGO	15:20
Air India	17:00

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	80.125084
US Dollar	71.783991
British Pound	93.847450
Australian Dollar	49.922670
Chinese Yuan Renminbi	10.305942
Japanese Yen	0.664044
Malaysian Ringgit	17.495483
Australian Dollar	49.922670
Singapore Dollar	53.178529
South Korean Won	0.061620
Saudi Arabian Riyal	19.142398
Thai Baht	2.378923
Myanmar Kyat	0.04903
Bangladesh Taka	0.84506

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	40983.96
Mumbai	–	Rs	41711.23
Delhi	–	Rs	41871.66
Kolkata	–	Rs	41871.66

GAS NEWS

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto: 12/11/2019
Valid From: 05/11/2019
14 Kg Stk : 612
5 Kg & 19 Kg Available
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

GBD, LAMLONG
Booking Upto: 06/11/2019
Valid From: 26/10/2019
Stk : 612 *(CTC Only)*
Timing: 07.30 am to 10.30 am

HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Booking Upto: 02/12/2019
Valid From: 26/11/2019
Stk : 604

IMPHAL LPG SERVICE
Sl. No. – 9686
Booking Upto: 21/11/2019
Valid From: 05/11/2019
14.2 Kg. Stk : 306
19 Kg. Stk : 149
5 kg Available
Timing : 07.00am Onwards
(First Come First Serve)

JEMON GAS, CHINGAMATHAK
Sl. No. Upto - 81500
Booking Upto: 03/10/2019
Valid From: 24/09/2019
Stk : 468
Timing: 07.00 am to 09.00 am

K & K INDANE SERVICE
Booking Upto: 13/11/2019
Valid From: 08/11/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

LAMBODARA INDANE
Booking Upto: 20/12/2019
Valid From: 03/12/2019
Stk : 306
Timing: 08.00 am to 10.00 am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 24/10/2019
Valid From: 23/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 09.30 am

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 10/12/2019
Valid From: 25/11/2019
14.2 Kg Stk : 306
Timing: 07.30 am to 11.00 am

TANGLEI GAS OINAM
Booking Upto: 29/11/2019
Valid From: 21/11/2019
Stk : 612
Timing: 07.00 am to 10.00 am

LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK THANGA
Booking Upto: 11/12/2019
Stk : 210
Timing: 07.30 am to 11.00 am

রাধাকুমারনা ইবা *অয়েকপা লাইনা তম্নবা* হায়বা দ্রামা উৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): কে রাধাকুমারনা (আই এ এস) না ইবা অমদি এস বিরেননা দিরেক্সন তৌবা অমসুং দ্রামাদা ওন্থোকপা 'অয়েকপা লাইনা তম্নবা' হায়বা দ্রামা অমা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফালনা শিন্দুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী ইম্ফালদা উৎখ্রে। অয়েকপা লাই হায়রিবা দ্রামা অসি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা কলাবু পামজবা মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অদুবু মীয়ামদা উৎথোক্লবা হোৎনবনি।

দ্রামা অসিদা লায়েকপা আর্টিষ্ট অমনা কলাবু পামজবা মীওইশিংবু খুন্নাই অসিনা শুপ্প গী চিনবানথোং খত্তদা ইকাই খুম্নবা উৎপা অমদি মীওই খরনা থৌওই উশিৎতবগী মতৌবু উরগা পেন্দবা ফোঙদোক্লি। লাইয়েকপা মীশক অদুনা মানা য়েকচবা লাইগা পুকমেন-পাউমেন্নদুনা করি মরমগী মহাক্না খুন্নাই অসিদা শাউরিবনো অমদি পেন্দ্রিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। অয়েকপা লাইনা লাইয়েকপা মীশক অদুগী অশাউবা অদুবু থেন্নদুনা খুন্নাই হায়বসিদি অশেংবা খঙহনগদবনি। পেন্দে, শাউই হায়দুনা তৌফম খঙদনা লৈবগী মহুৎতা ঙসি হায়রিবা মতম অসিদা য়ারিবমখৈ থবক তৌবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়বনচিংবা ফজরবা নুংগী ৱাফম কয়া দ্রামা অসিনা খুন্নাই অসিদা পীবা মেসেজনি।

অয়েকপা লাইনা তম্নবা হায়বা দ্রামা উৎপগী থৌরম কাংজম পদ্মকুমারগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য হায়বা সেমিনারগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা লমদম অসিগী সাহিত্যগী লম্দা শরু ইরবা অইবা, অইবী অমদি আর্টপু নুংশিজবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

গান-ঙাইগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): গান-ঙাই লাকপদা য়াইফ-পাউজেল পীরি হায়না কবুই সমিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৮, য়ুমশকৈশা নুমীৎতগী হৌনা নুমীৎ মঙানি পাঙথোক্কদৌরিবা গান-ঙাই কুম্মৈ অসিনা কবুই ফুরুপকী চহী ১দা অমুত্তং পাঙথোকপা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরম অমনি। কবুই ফুরুপকী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা লাই-তীনগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকপা গান-ঙাই কুম্মৈনি। শেংলবা থৌরমশিং কাঙলোন চুম্না পাঙথোকপীয়ু। শওন্থুং কবুই খুঞ্জাওদা ষ্টেট লেভেল গান-ঙাই থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদসু লমদম অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু। অনৌবা চহীনা লাকপগা লোয়ননা মৈহৌরোলদগী লৈমিন্নরক্কবা ফুরুপ খুদিংমক্না নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবা তাইবং শেন্বা মপুদা খুরুমলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

আর টি আইগী পাউখুম : টাউন প্লান্নিং...

*লামায় ১গী মখা...*অদুগা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অহুমসিগী প্রোজেক্ট প্রপোজেলশিং এপ্রুভ তৌখিবগী সেন্ট্রেল সেঙ্কসন্নিং এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি (সী এম এম সী) গী প্রোসিদিংশিংনা মরী লৈনরিবা মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেব সাইটতগী ফংগনি। লোয়ননা বেনিফিসরিশিংগী লিষ্টনা শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা এন্নেক্সর-ঈদা ওইনা পীরক্লগা ৱাঙ্গোই অমসুং থোংখোঙ লক্ষ্মী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী বেনিফিসরিশিংনা মুদাগী ৱেব সাইটতগী ফংগনি হায়দুনা খঙহল্লকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অহুম অসিগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা পি এম এ ৱাই-য়ুগী ষ্টেটস রিপোর্টশিংগী কোপী অমা পীনবা হায়জখিবগী মতাংদদি টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মাহুদনা মমাংগী কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ১৪দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর- ৭/৫৪/২০১৯গী মতুংইন্না পি এম এ ৱাই-য়ুগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টোরেট অমা মখা তানা ওইদ্রে। মরম অসিনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অহুম অসিগী ওইনা স্কিম অসিগী বেনিফিসরিশিংগী অপ-টু-দেট ওইবা ষ্টেটসকী মতাংদদি ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট (মাহুদ)তগী লৌননবা খঙহল্লক্লে হায়রি।

মীরোনবী ৩৫১, অঙাং ৮১৮দা...

লামায় ১গী মখা... দিষ্ট্রিক্ট মরি, তমেংলোং, নোনে, চান্দেল, তেংনৌপলদা মমাঙ থাদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পাঙথোকখ্রে। হয়েংদগী অনীশুবা তাঙ্কক চথরগনি। মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা হেল্থ ফেসিলিটি য়ৌহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। হয়েংদগী হৌগদৌরিবা অনীশুবা রাউন্দগী ওইনা সেন্সিটাইজেসন পাঙথোকপনি। দিষ্ট্রিক্ট মরি অসিদা লৈবা পোকপদগী চহী ২ ফাওবগী অঙাং ৮১৮ অমদি মীরোনবী ৩৫১ দা টিকা থাদোক্কনি। হয়েংদগী হৌগদৌরিবা অসি মায় পাকহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট মরিদা লৈরিবা মীয়াম, মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা, হেদমেন, চর্চ লুচিংবশিংনা মতেং পাংবীয়ু। ভেক্সিনশিং অসি লেম্না কাপকদবনি। হিদাক কাপফমশিংদা লাক্তুনা কাপথোকপীয়ু। ইম্যুনাইজেসন নীংথিনা তৌবা চঙই। আই এম আই ২.০ অসিনা ঙাকথোকপা য়াবা লায়নাশিংদি ট্যুবরক্যুলোসিস, পোলিও, জে ঈ, ইনফ্লুয়েঞ্জা, টিটানসনচিংবা কয়া য়াওরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট ইম্যুনাইজেসন ওফিসর ডা. টি ঐচ নন্দকিশ্বরসু শরুক য়াখি।

মোইরাংদা ঈ-রিক্সোগী পার্মিট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল-গী মনুংদ সর্ভিস তৌরিবা ঈ-রিক্সোশিংগী পার্মিট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ওল মোইরাং সী দি ব্লোক ঈ-রিক্সো দিভলপমেন্ট কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটিদদা শিন্দুনা আই এন এ মেমোরিএল হোল মোইরাংদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর টিঐচ শান্তিনা চিফ গেষ্ট, দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসর বিষ্ণুপুর আই হেমোচন্দ্র ফঙ্গনুসিবা প্রসিদেন্ট অমসুং এদিশ্নেল এস পি (ওপস) বিষ্ণুপুর কে এস ঐচ মণিহারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মরী লৈননা এদিশ্নেল এস পি (ওপস) বিষ্ণুপুর কে এস ঐচ মণিহারনা ফোঙদোকখিবদা, ঈ-রিক্সো চেল্লকপা অসিনা ইনি দয়াগী ওইনা পোল্লুসন হন্থহনবা, মৈখু চেনবা গাড়িশিংগী পোল্লুসন থোক্হনবা হোৎনরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি। অদুগা লোয়ননা অসিগুম্বা ঈ-রিক্সোগী পার্মিট পায়রে হায়দুনা তৌনিংবা তৌবা, থৌনিংবা মওংদা থৌরবদি তৌবীগনু। লোয়ননা পার্মিট পায়ননা থৌরিবা ময়ামগী মথক্তসু লৌখৎপা য়াবা এক্সন লৌখত্তুনা য়েন্না ফাবা ট্রফিক অমা লৈহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা সোসল ৱার্কর টিঐচ শান্তিনা ফোঙদোকখিবদা, ঈ-রিক্সো অসি ফে হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা গেজেট্টো নোটিফিকেসন থোক্লুবা এক্ট ওইনা চৎনহন্দুনা লৈগরবনি। অসিগুম্বা পোলিসি অমগী মখাদা চথরক্লিবা অসি থবক অসিবু থিংগনি মদুদা চেলেঞ্জ তৌগনি হায়বা অদুদি লানগনি। মরম অদুনা এক্ট অমদি রুল নিংথিনা এপ্লাই তৌদুনা ৱাখল তাদবা লৈরল্লবসু ৱাখল তাহদুনা নিংথিনা রুল ঙাকপা চৎপা ট্রফিক অমা ওইহনবীয়ু। লোয়ননা সোসাইটিগী মেম্বরশিংনসু কাংলোন ঙাক্লা হায়রিবা য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা মওংদা মীয়ামগী থৌগল তৌবীয়ু হায়খি।

দি টি ও বিষ্ণুপুর আই হেমোচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মতম অমদা ঈ-ভেহিকল অসি ফ্যুচর ওইনা লৈরম্না অদু প্রজেক্ট ওইরত্তুনা ঙসিদি মোইরাংদসু য়ৌরক্লে। লোয়ননা থৌরিবিবা ইচিল-ইনাওশিংনসু ফাইন থিবগী মহুৎ কাংলোন চুম্না পায়দবদা চে-চাং খুদিংমক পায়বীদুনা চেনবীয়ু হায়না অপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা ওল মোইরাং সী দি ব্লোক ঈ-রিক্সো দিভলপমেন্ট কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটিদকী মেম্বরশিংদা সর্ভিস তৌবা য়ারে হায়বগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা পীবা থা ৬ চৎনগদবা পার্মিৎকী চে-চাং শীন্নখি।

এন কে গ্রুপ ওফ প্রাইভেট লিমিটেদ ককচিং ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

ককচিং, জন্যুৱারি ০৫ (ঐচ এন এস): এন কে (নোংসাইবম খালিদা) গ্রুপ প্রাইভেট লিমিটেদকী ব্রাঞ্চ অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী ককচিং কৈথেলদা হাংদোকখ্রে।

ন্যু লম্বুলেন, ন্যু চেক্কোন রোদ, ইদেন টৱারদা হেদ ওফিস ওইবা এন কে গ্রুপ প্রাইভেট লিমিটেদ অসিগী ঙসি অহানবা হাংদোকপা ব্রাঞ্চ ওফিসসু ওইরিবা ককচিং ব্রাঞ্চ ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৭কী কাউন্সিল্লর এস প্রেমিলানা অথোয়বা মীথুং, এন কে গ্রুপ প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যেরমেন নোংসাইবম শঞ্জিৎনা থৌরম মপু, এন কে গ্রুপ প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্টর এল বেদরজিৎ, লিগেল এদভাইজর চীংঙাবম লোকেন্দ্রো অমদি এক্স বেঙ্কর এস ঐচ মণিহারনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এন কে গ্রুপ প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজরনা ফোঙদোকখিবদা, এন কে গ্রুপ প্রাইভেট লিমিটেদ অসি মণিপুরদা খুন্দারিবা কাংলুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা চঊখৎপা, মাংলোমদা চংশিনবা মণিপুর অমা পুরক্কবগী পান্দমদা লিংখৎখিবা গ্রুপ অমনি। গ্রুপ অসিনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী অমা মখায়রোম শুরে। তেল্লবা মতম অসিদা মণিপুরগী মীয়ামদা মতম মতমগী ওইবা চান্নবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা শেন্থং কয়া পীথখ্রে। মখা তানসু প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া পীনবা থৌরাং তৌরি। মসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না খুদোংচাবশিং অসি লৌবীয়ু হায়না অপিল তৌরক্লি।

এন আর এফ এমগী মপোক নুমীৎ লাকপদা চ্যেরমেন...

লামায় ১গী মখা... মচু অদুনা ঙসি ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লি। ঐখোয় ইন্দিয়া নত্তে হায়বসি মখোয় মশানা খঙলবসু খঙজিন্নখিদ্রে। লৈঙাকপশিং, অসিগুম্বা শাশিন্নবা লৈঙাক মহাও খঙহল্লবা মীওই শেমদুনা কুমজা ১৯৬৩দগী ২০২০ ফাওবা লৈঙাক অসি মণিপুরদা ইন্দিয়ানা চথুরক্লি। মসি চৎনবা য়ারোই। এন আর এফ এমনা ইন্দিয়াগী খোঙথাং খুদিং খঙই, শীংনগনি অমদি থিংগনি। ইন্দিয়ানা ঙাক শেন্দুনা হৌজিক মণিপুরদা ইন্দিয়াগী ৱায়েল লৈঙাক চথুরি। মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লৈঙাকপা ফজরবা দেমোক্রেসি হায়বা লৈঙাক্লোনগী ফিজোল অমা শেৎচিন্দুনা শেঞ্জাউ পায়বগী লল্লোনপোৎ ওইনা মী লৈদুনা লৈঙাকপা, ইন্দিয়ানা মণিপুরদসু শরুক থুংদুনা মহাউ কন্না তংনরি। মসিনা করিগুম্বদা নিংতম্বা হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাখল মাঙহল্লি। শেলনা লৈখ্রবনিনা মীয়ামসু অশেংবা থৌনা অমদি লোৎশিন্দুনা থম্নরি। মসি য়াম্না তশেং-তশেংই। মী লৈরগা নিংথৌ ওইবনি।

বৃটিশনা ইন্দিয়াবু থাদোক্তবা য়াদবা ফীভম ওইদ্রিঙৈ মতমদা বৃটিশকী খুজিল-থৌরাং অমদি লৌশিংনা ইন্দিয়া মতম চুপ্পা পঙথদুনা চাউখৎ লমজেলদা মঙম শান্দনবা, মীনুংশিগী মীৎয়েং শাশিন্নদুনা শেঞ্জাউ পায়বগী লৈঙাক শেন্বীরম্মী। মসিবুনি দেমোক্রেসিগী ফিজোল শেৎপা হায়বদি মশাদু শেংনা দেমোক্রেসি ওইদবা কয়াদা লুখ্রবা বৃটিশশিংগী লৌশিংনো। ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, বাংলাদেশ ইমুং অমত্তা ওইরম্মী। লৈবাক অহুম শেঞ্জাউ পায়বগী লৈঙাক্লি। ইন্দিয়া অসি রেভল্যুসন অমা মায়োক্লরক্তবা ময়াই থংবা ভারতবর্ষ হায়বদুদা ঙাওজবা, বৃটিশশিংগা য়াম্না নক্লবা শেঞ্জাউ পায়বশিংনা চুক্লি পায়দুনা কোনশিনখিবনা ঙসি ফাওবা পার্টি-পার্টিগী লৈঙাক, লাইনিংগী লৈঙাক চথরক্লি। ইন্দিয়াগী ওইবা পি এম পুথোকপা ঙমজদ্রি।

রেভল্যুসন হায়বা ৱাহৈ অসি শেঞ্জাউ পায়বা ইনিদয়নশিংগীদি খ্বাইদগী হৈনদবনি। বৃটিশনা তম্বীরম্মী রেভল্যুসন হায়বসি। লোইলম শন্দোকপগীদি য়েক্লবনি। মসিগা ইরোয়ননা ঐখোয়গী মণিপুরদা ইন্দিয়ানা য়েংলিবা মীৎয়েং খঙমিন্নবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নম্ফু অসি মরা চেৎনবা হোৎনবদা নোংমা-নোংমগী চাউখৎ থৌরাং, লৈঙাক্লোন চনৈনবগী চনৈনবা ঙাক্তা থোকহন্দুনা লমদম অসিদা তংদু লৈতাহন্দবা হায়বা অরোনবা লৈঙাক্লোন চথুরি। মসিদবু করম্না হৌজিক্কী মীওইবা খুন্নাইগী খ্বাইদগী মরু ওইরবা হ্যুমেন রিসোর্ছ লৈগনি। ঙসি-ঙসিমক মণিপুর অমদি ইন্দিয়া অনীগী মরক্তা থোক্লিবা ৱাথোক অসি লান লোইশিনদ্রিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা থোকপা ৱাথোক অমনি। মরম অসিনা লৈবাক অনী অসি অঙম তান্নবা হায়বদু লমদম অসিদা থোক্লিবা ওইবনা মীশি-মীনা, অশোক-অপন হায়বসি ঐখোয়গী ফুরুপ অসিনা মায়োক্লরি। মসিদা নাগা, কুকি, মৈতৈ হায়বা অমা খায়দোক্তুনা ঐখোয় লোয়না মায়োক্লরিবনি। ঐখোয় লোয়না চেন্নরি হায়বসি খঙফম থোক্লি। লোইলম ইনিদয়ানা চপশিল্লকপা মসিগী লারবা খুদমনি। লানগেরা, চুমগেরা পান্দম মান্নগেরা, মান্নরোইগেরা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিং খূৎলায় পায়বা লুপ লিংখৎনরিবা অসি ঐখোয়গী নিংতম লালহৌ অসিগী মচু অমনি। মণিপুর অসি মীখা পোল্লমদ্রবা, নিংতম্বগী লান অসি হৌদ্রবা খূৎলায় পায়বা লুপ-কাঙলূপ অমত্তা খঙলমদবসু য়াই। মসিদা লাল্লিবসি ঐখোয় মশেল পূনশিন্নবগী ৱাখল ৱাৎপা অমদি পাক শন্না ৱাখল খনবা ঙমদবা, চুমথোক্লদবা, লান্না উনরিবা অসিননি। য়েক্লবনা ঈথিল পীবা অপীকপা ৱাখল অসিতনা পুরকপা পন্থুংদি মীৎকুপ খুদিং, খোঙথাং খুদিং খুদোংথীনিংঙাইতনা ঐখোয় মশেলগী ইথক্তা পরেং ওইগনি হায়বসি মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলূপ পূন্বদা হায়জরি। মণিপুরগী য়েক্লবা অসি নাগা নত্তে, কুকি নত্তে, মৈতৈ নত্তে। মণিপুরদা খুন্থোকঙৈগী ঈগী মরী অমখল্লা পীবা ঈথিল অদুনা ঐখোয় হায়রিবনি। ঐখোয় মশেল হুন্দোক্লরগা মীঙোন্দা ৱানোম্বা হায়বসি শীংবুলদগী শীংজা অমমম্ শৎলগা থুদেকপীয়ু, অদুম লোইশিনবীয়ু হায়বা ওইনা ইন্দিয়ানা হরাওনা লৌরিবা অসিনি। দিল্লিদা কৌ-কৌদুনা নাল্লগা থারক্লগা মপূনা চাল্লে খল্লবদি করি তারে?

চহী লিশিং-লিশিংনা খূজিং ওইদুনা চীংবুরোয়-তম্বুরোয়গী অমত্তা ঙাইরবা পোক্লফম লমদম মণিপুর বৃটিশ লৈঙাক্লা চীং-তম খায়দোক্তুনা চহী ৫৬ পানখিবা মতমদা য়াৎলম্বা খূজিল থৌরাংগী মথক্তা ইন্দিয়ানা পোরম কায়দনা চথুরকপনা লমদম অসোমদদি ইন্দিয়াগী খোঙথাং খূদিং খূদোংথীনিংঙাই ওইরক্লি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমনা মীওইবা খুন্নাইনা খম থেংনা চাউখৎলবা মতম অসিদা ঙমখৈগী ৱাথোক, হোমলেন্দগী ৱাথোক, গেদরলেন্দগী ৱাথোক অসিগুম্বা অসিতনা ঐখোয়গী ইথক্তা চাইশিন্দুনা শান্ন-খোৎনবা অমদি নাৎনা মালেমদা শক্তাক্লিবা অসিগী নাকলদা দ্রগ অমদি করপসননা মহুৎ শিলহল্লক্লি। দ্রগকী ঈপাক্তা ঈরাক্লহন্দুনা করপসননা লৈজহৌহন্দুনা শেঞ্জা-থুমজা হায়বসিদা নৈহৎতুনা শান্নবীরি। অফস্পানা লমদম অসিবু চহী ৩৯ চুপ্পা চীংবুরোয়-তম্বুরোয় ফুরুপ অসিগী থৱায় কয়া মহাও তংখ্রে। অৱা-অনা, মীওৎ-মীনৈ, ৱাথোকশিং অসিনা ঐখোয় কনানো, ঐখোয় করম্না হিংলি, ঐখোয়দা ওৎলিবসি করিগীনো, ঐখোয় মশেল ওনশিন্নবা ওইরক্লিবসি করিগীনো মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবনি মীখা পোনবগী অৱাবা। শাশিন্নবা মীহাৎ চথবা য়াননবা মীচম মীয়াম্থু মতম চুপ্পদা লৈতাহন্দবা হায়বসি ইন্দিয়াগী মচা খায়রবা মীৎয়েংনি। ইন্দিয়াগী মথক্তা মণিপুরীশিংনা লালহৌ চথরকপা থিংননবা লাল্লোং অমা শিনবনি। মসিনা অকি-তুজুং পীদুনা ইন্দিয়াগী মথক্তা লান পামদনবা অরোনবা-অফোংবা লাল্লোংনি। ইন্দিয়াগী লান্মীশিংদা নোংমৈ কাপ্পা অমদি মী হাৎপা তম্বীবনি। মণিপুর পুলিসতনা মচিন-মনাও য়েংথীননবা শিনবনি। মচিন-মনাওগী থৱায়গা ইন্দিয়াগী মেদলগা শিন্নবা হায়বসিবু তৌহৈবা থবক্লা, খনফম থোক্তবরা। শাশিন্নবা মীহাৎকী ৱায়েল নোংমা নৎত্রগা নোংমা লাক্কনি হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙনা-খঙনা তৌখিবা ঙাক্তনি। অৱাং-নোংপোক লমদমগী শক্তম, উমং, চীং-পাৎ-তুরেলশিং অসিগী মপান তাঙদুনা হিংললক্লিবা য়েলহৌমীদি হিংবগী মমি শামজিল্লক্লি, ইন্দিয়াগী থৌজাল মায়োক্লবদা। অরোইবদা পঙ্গনিংবদি লান লৈরিবা লৈঙাক্কী ৱাথোক-লান্থোক মরক্তা লেপ্তুনা হোংলক্লিবা লাইবক থীরবা ঐখোয়গী লোল, ঙাঙলিবা লোল, বেঙ্গলি লোলয়ান ঙাঙলগা লেম্নরম্বা, ইমা-ইপা শিবগী লাইশোল মরোল খঙদ্রিঙৈ খজিক খঙনরকপা ইংলিশ লোলয়াননা ঙসিদি খোঙজেল য়াঙনা কুপশিনখ্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্ত্রে। মসিদা মরী লৈনবা পুম্নমক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

SLOPELAND PUBLIC SCHOOL
Salt Village, BPO- Khongjom, -795148
Biggest and Finest Residential School in NE- India
(Affiliated to CBSE- New Delhi)
Contact: 9615965922/9856835024/9615520109
E-mail: slopelandpublicschool@yahoo.com
Web: www.slopelandpublicschool.com

POST VACANCY

Applications are invited from the eligible candidates on the plain paper with bio-data for the following vacant posts.

Sl. No.	Name of Post	Min. Qualification	No. of Post	Last Date of Application submission
1.	PGT Computer Sc.	MCA/M.Tech	02	25-01-2020
2.	PGT English	MA English	02	
3.	PGT Physics	M.Sc Physics	02	
4.	TGT Mathematics	B.Sc/BA Mathematics	02	
5.	TGT Hindi	BA Hindi	02	
6.	TGT, Chemistry	B.Sc Chemistry	02	
7.	Security Guard	VIII	10	

Salary applicable as per CBSE norms.

Date of Interview is on 27/01/2020 at School Administrative Block at 10.30 a.m.

Sd/- Principal
Slopeland Public School
Khongjom

HL-P/5846/5,6

অম্মোকোক্কী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্লগনি : জলাল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক) এন্যুএল জেনরেল বোদিগী টার্ম লোইশিল্লক্কবসু ইন্টরনেসনেল মৈতে পাঙ্গল লৈভেনসন অমা পাঙথোক্কদবা লৈবা মরমনা অম্মোকোক্কী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং জন্যুৱারী ২১দা হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং অসিদা য়াওগৎবা মেম্বরশিংগী নমিনেসন লিস্ট অমা থোক্লন্নবগীদমক মণিপুরদা লৈরিবা মুস্লিম ইচিন ইনাওশিংনা অম্মোকোক্কী ওফিস্তা লাক্তুনা উনবিয়ু হায়না ঙসি বি ও সী দা লৈবা ফৌওইবী হোটেলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা অম্মোকোক্কী প্রসিদেন্ট এস এম জ লালনা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, চহী কয়াদগী অম্মোকোকনা লমদম অসিগী থবক থৌরম কয়া তৌখিবশিং অদুগী জেন্দোক্তুনা লাক্লদৌরিবা ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক)কী মেম্বরশিংনা মপুং ফানা তৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ। এন্যুএল জেনরেল বোদিগী মীটিং পাঙথোক্কবগীদমক ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমসু শেম্লে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি অসিগী মোহম্মদ রহিবুর রহমন, এম দি নসির খান, মৌলানা অতউর রহমন, এদভোকেট এম দি জলিল অহমদ, এম দি মনৱর শাহ, এম দি রাজ্জুদ্দিন, অব্দুল করীম, সী ঐচ নুরজমানচিংবা মীওইশিংনা এন্যুএল জেনরেল মীটিংগী থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি। লোয়ননা এন্যুএল জেনরেল মীটিং অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা অচৌবা ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

আই জে য়ুনা জন্যুৱারী ৮গী জেনরেল...

*লামায় ১গী মখা...*আই জে য়ুগী প্রসিদেন্ট কে শ্রিনিবাস রেদি অমসুং সেক্রেটরী জেনরেল বলৱিন্দর সিংহ জমুনা থাদোরকপা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট এন্দ আদর ন্যুজ পেপর ইমপ্লোয়িজ এক্ট ১৯৫৫ চৎনহনখিদবগী থৌওং য়ানিংদে। জর্নেলিষ্টশিংবু শীনফম অসিদা মনিং তৌনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৫৫দা ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট এক্ট চৎনহনখিবনি।

এক্ট অসিদা ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট অমদি নন জর্নেলিষ্টশিংগী ৱেজ বোর্দ শেল্লগা পাউমীশিংগী খুৎশুমল লেপ্পগী প্রোভিজন য়াওই। এক্ট অসি চৎনহনখিদবা মরম ওইরগা পাউমীশিংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্ন হল্লগনি। মরম অদুনা জন্যুৱারী ৮গী খোঙজংদা আই জে য়ুগী ষ্টেট য়ুনিটশিংনা শরুক য়াদুনা মখল কয়াগী প্রোটেষ্ট রেল্লি পাঙথোকপীয়ু হায়নসু য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

আই সী এ আর ব্রীদ কঞ্জার্ভেসন এৱার্দ...

লামায় ১গী মখা... মচা ধারা শন্দোকপগী ৱাখল লৌশিং শীজিন্নদুনা য়ুরোপ, নোর্থ অমেরিকা অমসুং এসিয়ন কন্ট্রিশিংদা য়ুমশা ওইবগী ইকনমি শাগৎপা হৌরকখি। মতমগী মতুংইন্না মালেমগী মফম-মফমগী মীশিংনা মাগী মাগী লমগা চুনবা ব্রীদ শেমগৎপা হৌরক্তুনা য়ুমশাগী ব্রীদ মখল ৭৬১৬কী ইনফোর্মেসন ফংবা ঙমখ্রে। ব্রীদশিংসিগী মনুংদা চাদা ২০দি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবনি। হৌখিবা চহী ১০ রোমসিদা ব্রীদ ১২ দি মুৎখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরি। মণিপুরগী শগোল মীয়াম্না পোনি হায়না খঙনরিবা অসি কন্নবা হোৎনবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং পুম্নমক্কী থৌদাং লৈ। মণিপুরগী শগোল মশিং হেনগৎনবা হোৎনবদা থম্মোয় শেংবা অমদি সাইন্টিফিক ওইবা ৱাখল লৌশিং শীজিন্নদুনা কথোকপা খক্তনা শগোল অসি কনবা ঙমগনি। এৱার্দ অসি ইন্দিভিজ্যুএল অমগী লেভেলদা চহী ১৪ রোমদা তৌরকখিবা থবকশিং য়েংলগা পীরকখিবনি। এৱার্দ অসি মণিপুর পোনিবু নুংশিবা মীপুম খুদিংমক্কীনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

আই সী এ আর, ব্যুরো ওফ এনিমেল জিনেটিক রিছোর্স গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হরিয়ানাদা পাঙথোকখিবা কিষান দিবসতা ব্রীদ কঞ্জার্ভেসন এৱার্দ অসি খুৎশিন্নরকখিবনি।

ফাইনান্স কম্মিসনগী...

লামায় ১গী মখা... বোর্দ রুমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নুমীৎসিদা তাঙ্কক অহুম থোক্লা উনগদৌরিবা অসিগী মনুংদা অয়ূক পুং ৯দগী ৯.৩০ ফাওবনা অর্বান লোকল বোদিশিংগী মীহুৎশিংগা উনগনি। মসিগী মথংদনা পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসন অমসুং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মীহুৎশিংগা মথং-মথং উনগনি হায়রি।

নোটিস অসিনা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী ভিজিটিং মেম্বরশিংগা উনবগী থৌরমশিং অসি মপূং ফাহন্নবগীদমক লোয়শঙ অহুম অসিগী দিরেক্টরশিংনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবসু খঙহল্লি।

আই এল পিগী রুল এন্দ রেগ্যুলেসনগী...

লামায় ১গী মখা... য়াম্না নীংথিনা খন্ন-নৈনরগা পুথোকফম থোকই। এসেম্ব্লীদা খন্ননবা ৱাফম থমখিবনি। অদুবু রুল অসি শেমদুনা ওর্দর থোকখ্রে। মখা তানা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়াম্না কুপ্না খন্নবা চঙই। দিমোক্রেসিগী মহাওদি ওপোজিসন অমসুং রুলিং খন্নরগা পুথোক্কদবনি। লৈঙাক্কী ফম্নবা হায়রকপা মতমদা শাওফম থোক্তে। মণিপুর অসি অপীকপা ষ্টেট ওইবনা মপান্দগী লাক্কদৌরিবা মীওইশিংদগী ঙাকথোক্লবা চপ চাবা চৎন-কাঙলোন কয়া অদু শেমহৌবা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা কোংগ্রেস এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি।

কাংজম পদ্মকুমারগী সাহিত্যবু নীংশিংদুনা...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরগী লিটরেচরগী লমদা খুন্মাং চাউশিল্লম্লে। কুমজা ১৯৫৯ দা কলচরেল ফোরম লাকপদগী ঈহৌ কয়া অমা লাক্লে। অপোকপা পদ্মকুমার য়াওনা জোনষ্টোন স্কুলদা শৈহৌ মরুপ হায়না কুমজা ১৯৫৩ দা লিংখৎতুনা শৈরেং-লাইরিক *পোমশাৎনবী* হায়না পদ্মকুমারনা লুচিংদুনা ফোঙই। মসি শ্রীবিরেননা ইবদা য়াওরিবনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা কুমজা ১৯৬৩ দা সাহিত্য কলচরেল ফোরম, কুমজা ১৯৫৯ দা রিতু ফোঙই। শৈরেং ইবগী মওং-মতৌ কয়াদসু খেন্নবা লাকই। অনৌবা মতমগী মঙলান, ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্লিবা অমনি হায়না লৌনৈ। ইরেংবম তোম্পোকনা পোলিটিক্স য়াওদ্রিঙৈদা শৈহৌ মরুপ অসি শেম্বদা য়াওরিবনি। মতমদুগী অইবশিং হৌজিক শক্লাইরবা কয়াগী মমিং ঐখোয়না তাদুনা লৈরি। কুমজা ১৯৬৪ দা পুথোকপা ৱারীমচা *পুন্সি মুর্ত্তি* নচিংবা কয়া খোমজিন্দুনা ফোঙবসি পাবা য়াবনি। অশাংবম মেনেকেটননা মতমদুদা ৱারীমচা ইরম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিরেক্টর এল উপেন্দ্রোনা হায়খি, ওজা পদ্মকুমার অসি ওজানি। রামলাল পোলদা ওজা ওইদুনা তাকপী-তম্বীরম্মী। সবজেক্ট খুদিং তাকপী। জগোয় তৌবা ঐখোয়গীদি সাহিত্য হায়বসি মরুওই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
www.rbi.org.in

বেঙ্ক'স মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী) পুংগী অকক্লবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৌরগনি।

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী লিলাশিং খোঙনাংখোং, ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১দা লৈবা ওফিসকী দিস্পেন্সরিগীদমক পুংগী অকক্লবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা বেঙ্ক'স মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী)গী ফম (অনরিজার্ভ) অমা মেনশিন্নবগীদমক্তা মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। এপ্লিকেসনশিং অদু জেনরেল মেনেজর এন্দ ও-আই-সী, রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, লিলাশিং খোংনাংখোং, ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১ দা জন্যুৱারি ১৪, ২০২০দা নৎত্রগা মমাংদা ৫.০০ পি এম ফাওবগী মনুংদা য়ৌহল্লক্কদবনি।

i) এপ্লিকান্টশিং এলোপেথিক সিষ্টেম ওফ মেদিসিনদা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা শকখঙবা য়ুনিভর্সিটি অমগী এম বি বি এস দিগ্রি পায়গদবনি।
ii) জেনরেল মেদিসিন্দা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট দিগ্রি পায়বা এপ্লিকান্টশিংনসু এপ্লাই তৌবা য়াগনি।
iii) এপ্লিকান্টশিং হোস্পিটাল অমদা থবক তৌবগী নৎত্রগা মেদিকেল প্রক্টিস্নর ওইনা য়ামদ্রবদা চহী ২ (অনী)গী এক্সপিরিয়ন্স লৈগদবনি।
iv) এপ্লিকান্টশিং মশাগী দিস্পেন্সরি নৎত্রগা ময়ুম ইম্ফালদা লৈবা বেঙ্ক অসিগী দিস্পেন্সরিদগী কিলোমিটর ১০-১৫ গী মনুংদা লৈবা ওইগদবনি।
v) কন্ট্রেক্ট বেসিসকী মেদিকেল কন্সল্টেন্ট অসিগী রিম্যুনরেসন থাঙ্গৈশেংনা দ্যুটি তৌরিবা পুংশিংশিংগা চান্ননা ফিক্স তৌগনি অমসুং লোইনমক ইনক্লুসিভ ওইগনি।
vi) এনগেজমেন্টকী কন্টেক্ট অসি চহী অহুমগী মতমগীনি।
vii) রিম্যুনরেসনগী রেট অমসুং দ্যুটিগী পুংশিংশিং মখাগী টেবল অসিদা পীরি :-

লোকেসন	টেন্টেটিভ ৱর্কিং অৱার্স	রিম্যুনরেসন
রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া লিলাশিং খোংনাংখোং, ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১	২.০০ পি এম - ৩.০০ পি এম (নিংথৌকাবা - ইরাই)	কন্ট্রেক্টকী মতম পুন্বগী ওইবা পুংদা ₹ ৮৫০/- থাদা লুপা ₹ ১,০০০/-গী চাংদা মোবাইল চাজশিংগী রিইম্বর্সমেন্ট

viii) রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং ওপরেসনগী তঙাইফদবশিংগা চান্ননা মতম-মতমগী ওইনা রিম্যুনরেসনগী রেট রিভিয়ু তৌবা, দ্যুটিগী মতম অমসুং দিস্পেন্সরিগী মফম হোংবা য়াই।
ix) অপান্বা অমসুং মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিংনা (i) আর বি আইগী ৱেবসাইট (www.rbi.org.in) তগী দাউনলোদ তৌবা য়াবা নৎত্রগা (ii) আর বি আই, ইম্ফালদগী থবক তৌবা নুমিৎ খুদিংমক্তা ১০ এ এমদগী ৫ পি এমগী মরক্তা জন্যুৱারি ১৩, ২০২০ নৎত্রগা (iii) oicimphal@rbi.org.in সিদা ঈমেল তৌরগা আর বি আই ইম্ফালদগী ফংবা য়াবা প্রিস্ক্রাইব ফোর্মেটতা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। এপ্লিকেসন অদু মখাগী ৱাহৈশিংসি থাবা কভর অমদা হাপ্লগা সবমিট তৌগদবনি

'এপ্লিকেসন ফোর দ পোষ্ট ওপ মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওন কন্ট্রেক্ট বেসিস'

সেলেক্সন প্রোসিজর :-

x) রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা পুংগী অকক্লবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী) (কেটগরি : অনরিজার্ভ) অমা খনবগী ইন্টরভিয়ু কন্দক্ট তৌগনি। ইন্টরভিয়ু অদু জন্যুৱারি ২৮, ২০২০ দা পাঙথোক্কনি।
xi) মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিং ইন্টরভিয়ু তৌরগা সেলেক্সন তৌগনি। ইন্টরভিয়ু য়াওনবগীদমক্তা কৌগদৌরিবা কেন্দিদেন্টশিংগী মশিংদা পনখৈ অমা লৈহন্নবগীদমক্তা বেঙ্ক অসিনা মিনিমম ঈলিজিবিটি ষ্টেন্দার্দ হেনগৎপনচিংবা তৌবা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা বেঙ্ক অসিনা লৌবা ৱারেপ্পা অরোইবা ওইগনি। ইন্টরভিয়ু য়াওননবা কৌরকখিদ্রবা এপ্লিকান্টশিংগী করেসপোন্দেন্স অমত্তা বেঙ্কনা লৌরোই।
xii) ইন্টরভিয়ু মতুংদা সোর্টলিষ্ট তৌবা এপ্লিকান্ট অদু বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওইনা এনগেজ তৌদ্রিঙৈদা প্রিস্কাইব নোর্মশিংগী মতুং ইন্না মেদিকেল চাংয়েংশিং মায়োক্লগনি। মেদিকেল চাংয়েংশিংগী অচঙমন এপ্লিকান্টনা পুথোকচগদবনি।
xiii) ফম অসিগীদমক্তা খল্লবা নুপা নৎত্রগা নুপী কেন্দিদেট অদু মেদিকেল্লি ফিট ওইরম্বগী মতুং ইন্না অমসুং বেঙ্ক অসিনা পীরিবা টর্মস এন্দ কন্দিসন্স অমসুং কোদ ওফ কন্দক্ট য়াবগী মতুং ইন্না এপোইন্টমেন্ট পীগনি।
xiv) খল্লবা এপ্লিকান্ট অদু পুংগী ওইবা অকক্লবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা (কন্ট্রেক্ট বেসিসতা) বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওইনা এনগেজ তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা বেঙ্ক অসিগা কন্ট্রেক্টকী এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনগদবনি।

HL-B/5942/6